**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ঙসি টোতেল সটদাউন লাউথোকখিবদগী গাড়ি চেন্নদ্রে, কৈথেলশিং মহৌশাগুম ফমদ্রে।

২) রাজনীতিগী অচৌবা অওনবা অমদা নাগালেন্দদা এন.পি.এফ, নৈফিউ রিওনা লুচিংবা পিপলস দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স সরকারদা য়াওখ্রে।
অমসুং

৩) জল জিবন মিসনগী মখাদা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী য়ুমথোঙ কোতি ১৫ লাখ ৭১ তোতি ঈশিং ফংহনখ্রে।

------

ব্লেক ডে (এল)ঃ ইং ১৯৪৯ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মণিপুরনা ভারত্তা তিনখিবা নুমিৎপু য়ানিংদবা ফোংদোক্নুনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংনা রাজ্য অসিদা ঙসি টোটেল সট দাউন চথ্তরি। টোতেল সটদাউন লাউথোকখিবা অসিনা মরম ওইদুনা জিলা অমগা জিলা অমগগী মরক্তা চেনবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং হান্নগুবা চেন্নদ্রে, লনাই গাড়িশিং চেনবগী চাং হন্থরে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা মরুওইবা কৈথেলশিং মহৌশাগুম ফমদ্রে।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথ্তরি। অককবা পাউগী মতুংইন্না মীয়ামদগী শেল খায়বা অমসুং হিংশাগী থৌওংশিং চথ্বা মীওইশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথ্তরি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা টোপ মখা লৈকাইদগী কে.সি.পি. (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল সুপর মার্কেটতগী কে.সি.পি (অপুনবা)গী মীওই অমা অমসুং তেংনৌপল জিলাগী মোরে মুস্লিম বস্তিদগী য়ু.এন.এল.এফ (কে)গী মীওই অমা ফারে। গাড়ি নিয়ম লান্না থৌবশিং ফাবগী থবকসু লেপ্তুনা চথরি। ঙরাং মণিপুর পুলিসনা মীওই ২৩ ফাবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫৪,৫০০ ফাইন ওইনা থিহনখি।

ককচিং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম ককচিং, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ককচিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ককচিংনা শিন্দুনা ষ্ট্রেস মেনেজমেন্ট অমসুং সুইসাইদ প্রিভেন্সন হায়বসিগী মতাংদা থৌরম অমা শুগনু মমাং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট পুলিসশিংগী নোংমগী ওইবা টার্গেতেদ ইন্তরভেন্সন প্রোগ্রাম অদুদা শুগনু সব-দিভিজনগী পুলিস অমদি ভি.দি.এফ পার্সোনালে ১০০ রোমা শরুক য়াখি।

দেঙ্গি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা দেঙ্গিগী কেস নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসিদগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোকবা পান্দমদা নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ফোরদা মৈখু কাপথোকপগী থবকশিং চথখ্রে। ৮৬ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফনা পিছলেন্দ য়ুথ ক্লব নোনেগা শিন্দুনা কাঙ মরুম কোকফমশিংদা মৈখুশিং কাপথোকখিবনি।

নিংশিংবা য়াই, চহি অসিগী জনুৱারি ১ দগী ঙরাং ফাওবদা মণিপুরদা দেঙ্গিগী কেস লিশিং ২,৩৮৫ থেংনখ্রবনি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানা খ্বাইদগী মশিং য়ামা পোজিতিভ কেস লিশিং ১,৭১১ থেংনরে।

নাগালেন্দ ঃনাগালেন্দদা রাজনীতিগী ওইবা অচৌবা অওনবা অমদা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ) নৈফিউ রিওনা লুচিংবা পিপলস দেমোক্রেতিক

এল্লায়েন্স সরকারদা য়াওখ্রে। ঙরাং থোকপা চেরোল অমদা এন.পি.এফকী সেক্রেতরি জেনেরেল অমসুং এম.এল.এ- এ.কিকোননা হায়- দলগী চৎনে কাংলোনগী মতুংইন্না দলগী প্রসিদেন্টনা হিরম অসিগী মতাংদা ওর্দিনান্স অমা থোকখ্রে। ওর্দিনান্স অদু ঙরাংদগী চৎনবা হৌখ্রে।

এন.পি.এফ-এন.দি.পি.পি পুনশিন্নখিবগী মাংওইননা মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওনা ঙরাং এন.পি.এফকী হান্নগী প্রসিদেন্ট ডাঃ সুরহো জেলি লিজিৎসুগা উন্নখি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী রিওনা হায়- রাজনীতিগী ওইবা খোঙচৎতা এন.পি.এফ লুচিংবা অসিবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা মহাক্কী মনাক্তা চৎপনি।

জেজে ঃ জল জিবন মিসনগী মখাদা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী য়ুমথোঙ কোতি ১৫ লাখ ৭১ তোতি ঈশিং ফংহনখ্রে। মিসন অসিগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা চাদা ৮০ তোতি ঈশিং ফংহল্লে। জল শক্তি মন্ত্রালয়না হায়- মিসন অসিগী অনিসুবা তাঙ্কক চংশিনবা হৌরে। মরম অদুনা মসিদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। হিরম অসিগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্তরশিংগী ওইবা পেজল সম্বট পাঙথোকখ্রে। সম্বট পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি জিলা থাক্কী গভর্নান্স হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবনি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগীদমক বি.জে.পিনা মীরেপ ৭১ গী মীং লাউথোকখ্রে। মীরেপশিংগী মীং অদু বি.জে.পি সেন্ত্রেল ইলেক্সন কমিতিনা অরোইবা ৱারেপ লৌখিবনি। হিন্দুস্তানি অৱাম মোর্চা (সেক্যুলর)নসু মীখল অসিগীদমক মীরেপ ৬ কী মীং লাউথোকখ্রে। বিরোধিগী চুংশিন্নবা গ্রান্দ এল্লায়েন্সকী মপাং অমা ওইরিবা সি.পি.আই (এম.এল)নসু মীখল অসিগীদমক মীরেপ ১৮ গী মীং লাউথোকখ্রে।

সিট ২৪৩ লৈবা বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না ইলেক্ত্রোনিক ভোতিং মেছিন-ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ঔদিৎ ত্রেলগী অহানবা রেন্দমাইজেসন ঙরাং পাঙথোকখ্রে। তাঙ্কক অনি থোকা

ভোৎ থাদনগদৌরিবা অসিদা অহানবা তাঙ্কক্তা নবেম্বর ৬ তা অমসুং অনিসুবা তাঙ্ককা নবেম্বর ১১ দা ভোৎ থাদনগনি। ভোৎ মশিং নবেম্বর ১৪ দা থিগীনি। মীখল অসিগীদমক বি.জে.পি অমসুং চুংশিন্নবা সরকারগী ওইনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীখলগী কেম্পেন ঙসিদগী হৌরগনি।

মোঙ্গোলিয়া ঃ ভারত অমসুং মোঙ্গোলিয়ানা ঙরাং য়ান্না ৱারো ১০ সহি তৌনখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং লৈবাক অসিগী খোঙচৎতা লৈরিবা মোঙ্গোলিয়াগী রাষ্ট্রপতি খুরেলসুখ উখনানা নিউ দিল্লিদা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা য়ান্না ৱারোলশিং অদু সহি তৌনখিবনি। সহি তৌনখিবশিং অদুগী মনুংদা- হ্যুমেনিটরিয়ান এইদ, মোঙ্গোলিয়াদা লৈরিবা হেরিতেজ সাইটশিং শেমগৎপা, ইম্মিগ্রেসনগী লমদা মতেং পাংনবা, জিওলোজি অমসুং মিনরেল রিছোর্সেস কো-ওপরেতিভ মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমসুং দিজিতেল সোলুসনশিং মতেং পাংনবনি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- কলচরেল হেরিতেজ অমসুং গনতন্ত্রগী মরুওইবশিং অসিনা ভারত অমসুং মোঙ্গোলিয়াগী মরক্তা অচেৎপা মরী লৈনরিবনি। মোঙ্গোলিয়াগী রাষ্ট্রপতি অমসুং মহাক্কী মীহুৎ কাংবুশিংবু রাষ্ট্রপতি ভবনদা তরামা ওক্লদুনা শ্রীমতি মুরমুনা হায়- ভারত অমসুং মোঙ্গোলিয়া অসি য়ামা মরুওইবা মপাং অমনি। হৌখিবা চহি ২৫ অসিদা ভারতনা মোঙ্গোলিয়াদা তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলে। মসিগী মনুং বুদ্ধিষ্ট মোনাষ্ট্রি নৌহৌননা শেমজিনবা অমদি অরিবা মেন্যুস্ক্রিপশিং নৌহৌননা নমথোকপা য়াওরি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি হয়েং অন্ধ্র প্রদেশতা চৎকনি। মফম অদুদা মহাকা লুপা কোতি লিশিং ১৩,৪৩০ চংনা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা যাত্রা হুনগনি, খরগীনা শঙ্গাগনি। প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গাগদৌরিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা লম্বী, রেলৱে, দিফেন্স মেন্যুফেকচরিং, পেত্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস, ইন্দষ্ট্রি, পৱার

ত্রান্সমিসন্নচিংবা য়াওরি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা তিল্লিবা মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি।

যুএস ঃ মতম খর লেপ্পুরবা মতুংদ ভারতনা ঙসিদগী আমেরিকাগা ইন্তরনেসনেল পোষ্টেল সার্ভিস মখা চখ্তরগনি। কেন্দ্রগী কম্যুনিকেসন মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়- আমেরিকাগী য়ু.এস. কষ্টমস অমসুং বোর্দর প্রোটেক্সনগা খুৎশমদুনা কল্লাইন মেকানিজম শেম্লে। মন্ত্রালয়না হায়- অনৌবা থৌরাং অসিনা আমেরিকাদা লৈরিবা মীওইশিংদা পোৎ থাদোক থাজিন তৌবা মতমদা থেংথদনা অমদি অহেনবা শেনফম লৌদনা অথুবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্লগনি। য়ু.এস এদমিনিষ্ট্রেসন্না থোকখিবা একজিক্যুতিভ ওর্দর অমনা ভারত অমসুং আমেরিকাগী মরক্তা পোষ্টেল সার্ভিস মতম খরা লেপ্পুরে।

### ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শিল্লোংগী মণিপুর রাজবারি বিল্ডিং থুগাইখিবগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা লুপ অমদি মীওইশিংনা পেন্দবা ফোংদোকরকপগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাড ওইরি।

শিদোকখ্রবা মফম লেংদনা থমগদবনি, কেম্পস মনুংদা চপ মান্নবা অমা শাগদবনি- কোকোমি। রাজবারি থুগাইখিবা ওক্তোবর ৮ বু পুৱারী মুখৎখিবা নুমিৎ ওইনা পাঙথোকশি হায়বা পাউ সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীরদুনা শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, পিপলস ক্রোনিকল, মোর্নিং বেল অমসুং নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ক্রিমিনেল কেসশিং মায়োকবা মণিপুরগী হান্নগী অমসুং সিত্তিং এম.পি-এম.এল.এশিংগী কেস, এক্স-এম.এল.এ লুখোই, রতনকুমার অমসুং এম.এল.এ শ্যামকুমারগী কেসশিং ক্লোজ তৌরে হায়রকপদগী কোর্টনা

এফিদিভিৎ ওইনা ফোংদোরকবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জে.জে. মিসনগী মখাদা মণিপুরদা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং নিয়ম চুম া পায়খৎখিদবগী মায়োক্তা এম.পি. বিমোলনা পি.আই.এল থাখ্রে হায়বা পোক ফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জে.জে.এমগী মতাংদা হাই কোর্টতা থাখিবা  পি.আই.এল নোটিশ ইসু তৌখ্রে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

প্রসিদেন্টস রুল থমখ্রবা মতুংদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফগৎলকখি হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না পোংদোকখিবা ৱাফম মোর্নিং বেল অমসুং পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়বু ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা সরকারদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা নেসনেল দিৱার্মিং ডে হৌদোকখ্রে, জল জিবন মিসনগী ৱাথোক্কী মতাংদা সেনাপতি দি.সিনা মতিক চাবা থবক লৌখৎপিয়ু হায়না ৱাই.আর.এফ.সিনা তকশিনখিবগী পাউনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নাগালেন্দ সরকারগী পিপলস দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্সতা নাগা পিপলস ফ্রন্ট য়াওখিবগী পাউনা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ওক্তোবর ২২ দা এন.এস.সি.এন (আই.এম)গী জেনেরেল সেক্রেতরি টি.ঐচ. মুইভা লাক্কদবগা মরী লৈননা সোমদলগী খুঞ্জাশিংনা শেম শারি হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------